# অশেংবা পুন্সিদসু অখাঙ কনবী, থৌনা লৈবী মণিপুরী এক্ট্রেস এন জি সুবদনি

*- নানি*

পুন্সিদা মায় পাক্লগা ঐখোয়না ঐখোয়গী এক্টরশিংগী ৱারী লিক্লম থিদদুনা তৌবনি। তমজনিংঙাইনা পীক থন্না লৈরবা থৌনা লিংজেল লৈবী, হোৎনবা কনবী, পোকপদগী পীথোরকপা মশাগী হৈনজবী মতিকময়াইবু নীংথিনা য়োক্তুনা থম্বা ঙম্লবা কয়াগী ৱারী ঙসিসু মপোপ কায়দনা লৈরি। অদুবু থিবা ৱাৎপা, তাবা হৈতবা অমদি থোইদোক্লা পূক্লিং চঙলুদবনা খঙদবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী অহল-লমনশিংদগী তমজনিংঙাই য়াম্না লৈরি হায়বসি পূক্লিং মোংলক্লে। অদুননি ঙসিগী ৱারী মতেক অসি মীয়ামদা লান্থোকচবদা পূক্লিংদা নুংঙাইবা ফাওরিবসি।

মণিপুরী ফিল্মনা ১৯৭২দা মতমগী মণিপুরনা মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা ফিল্ম কয়া মথং মথং পুথোকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯৭৬তা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ফোক্ককী ফজরবা ৱারী অমবু ফিল্মদা পুথোরকখিবসি শাফবী হায়বা অসিনি। শাফবী ফিল্ম অদু ঐখোয়না তরাই তরাইনা লৌবা য়াদে। ফিল্মদু নম্মবা হোৎনবদা অচৌবা শীংনবা অমগা লোয়ননা নমখিবনি। মদুদা শরুক য়াখিবা এক্টরশিংদগী হৌরগা ফিল্মদুগী দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্তা শরুক য়াখিবা, মেক-অপ, আর্ট দিরেক্টরনচিংবা কয়াগী চাউরবা থৌদাং লৈখিবনি। ফিল্ম অদুদা টেক্নিকেল ওইবা ফজবা সোট খরা অমসু মীয়াম্না উনখিবনি। অরোইবা সিনদা হিরো হিরোইন অনীনা থৱায় থামিন্নরবা মতুংদা থৱায় মীরেলনা তাইবং মপুগী নাক্তা লৈনম ওইনা তিল্লুনবা কামিন্নখিবদু মতমদুগী অয়েংবশিংনা অঙকপা অমা ওইনখিবনি। ফিল্ম অদুদা য়াওখিবা কৈ অদু অশেংবনি, কোলকাটাদগী কৈ ৱাইখিবনি.... লুপালিশিং মঙা পীদুনা ঙাইহাক ৱাইখিবনি। এক্টরদুগা কৈদুগা য়াম্না তোয়না রিহার্সেল তৌখি। তোয়না রিহার্সেল তৌরবনিনা কৈদুনা এক্টরদুবু মশক খঙদুনা থোইদোক্লা অকি অখঙ উৎলকখিদে। য়াবা য়ারে খল্লগা মতুংদা ড্রেস শেৎলগা অমুক রিহার্সেল তৌবদদি কৈদুনা ঙংলকপদা ময়াম কিদুনা চেন্নখিবগী নুংঙাইরবা ৱারী লৈরিবনি। ফিল্মদুদা শগোল থৌবা নীংথিনা য়াওখি। মদু ওইনবা হোৎনবদা এক্টরশিং শগোল থৌবা ট্রেনিং মতম শাংনা তৌখি। হায়রিবা ফিল্ম অসিদা হিরোইন কুমখিবী লাইশ্রম সুবদনি নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তা পোকখি। অপোকপা মতম অদুগী মনোহরসাইগী দুহার ওইনা মমিং লৈখিবা ওজা লাইশ্রম চাওবগী মচানিঙোল অহুমশুবী ওইনা পোকখিবনি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা নীংখিবা থবক্তা মায় পাক্লবা পাঙথোকপদা পুকচেল চেৎপী ওইরকখি। ঈশৈ শকপা, এক্টিং তৌবা করিগীনো খঙদনা মশাদা য়াম্না পামজরকখি। অদুবু মদু পুন্নমকশিং অদু ওইথোক্লবা লম্বীদি ফংবা ঙমখিদে। অদুবু পামজবা অদুমদি মশাদা মতম চুপ্পদা লোয়নদুনা লৈখি। ঈশৈ পামজবনা মরম ওইদুনা রূপ রাগদা মতেক অমা য়াওদুনা ঈশৈ শকপা হৌরকখি। মপুং ফানা ঈশৈরোমদা চঙবসু চঙশিল্লকখিদে। খরা হৌরম্লগা অদুম মখা তাখিদ্রে। পীক্লিঙৈদগী হৌনা এন সী সী অসি য়াম্না পামজনা য়াওরকখি। এন সী সী য়াওবা অসিনসু মহাক্কী পুন্সিদা মায় পাকপনি হায়বসি মশানসু য়াজরি। এন সী সীনা মহাক্কী পূক্লিংবু ফাজিনবা, থেমজিনবা, তৌগে খনবা থবক্তা নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনবগী অচেৎপা লিংজেল অমা মশাদা লোয়নরকখিবীনি।

শাফবী ফিল্মদা শগোল থৌবা মতেক অমখক য়াওই। মদু ঙম্নবা হোৎনবদা শগোল থৌবা তমখি। শগোলগী মনাক্তা নোংমত্তা চঙখিদবা, য়াম্না হৈনখিদবদু শগোল মথক্তা কাখৎলগা থৌবা তমখি। শগোলদুনা শীংবনিনা, মঙোন্দা তোংলিবসি হৈতবীনি খঙবদগী লাক্তুনা লংলকপদা হন্না হন্না শগোলদগী তাখি। শোকপা নাবা কোঙ্গাই অমা য়াওখি। অদুবু নীংহন্নদনা মীনা ঙম্লগা ঐ করিগী ঙম্লোইদৌরিবনো হায়না হন্না হন্না তোংদুনা নমদুনা শগোল থৌবা হৈখি। অদুবু অহিং কয়া অমা চিকপদা তুম্বা য়াদবদগী হিগা য়ৈদুনা খাঙবা কয়া অমসু য়াওখি। মসিগী মথংদা লোক্তাক্তা হি হোন্দুনা চৎপা অমসু ঈশৈগী সিন অমদা য়াওখি। মদুদসু পোকপদগী হি হোনদবদু নমদুনা তম্লগা সূটিং তৌখি। অঙকপা চেলেঞ্জ কয়া তৌরক্লগা ফিল্ম অদুদা য়াম্না মায় পাক্লা কুমখিবীনি। ফিল্মদুমক্লসু শাফবী শাবী হায়না শেৎ কায়না ফাওখি। শাফবী ফিল্মদা শকখিবা ঈশৈ মপোক লাংওল খূদিংদা, মাঙ্গা নাকাদা লৈজগে হায়বা ঈশৈ অসি খ্বাইদগী পামজবা অমা ওইখি। ঈশৈ অসি য়াম্না তোয়না পামজ



দুনা ঙংজবসু ওইখি। হেন্না নুংঙাইরিবা, পুন্সিদা কাউবা ঙমদ্রিবদি, ফিল্মসিগী ঈশৈ অসি এক্ট্রেস অসিনা লুহোংবদা, বরগী ময়ুমদা থোঙ্গালদগী চঙশিল্লকপদা বেন্দ পার্টিনা নীংথিজনা খোংখি। মদু তাবদা মশাদা য়াম্না নুংঙাইবা, হায়ফম খঙদবা অমা ফাওখি। মরমদি ঈশৈ অদু মহাক মশামক্লা ফিল্মদা শকখিবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিমক লুহোংবা নুমীৎকী অয়ুক্তসু ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা থারক্তুনা শন্দোরকখি। মদুসু কৈন্যা ওইগদৌরিবী সুবদনিনা তাবদা মশাদা তুজুংবা ফাওখি হায়না ফোঙদোকপীরকখি। সিগী মতুংদা, কুমজা ১৯৮১দা অঞ্জনা ফিল্মগী খোঞ্জেল হায়বা অদুদসু হিরোইন ওইনা কুম্লকখি। ফিল্ম অনী অসিদগী হেন্না অতোপ্পা ফিল্ম মখা কুমথনবগী তাঞ্জাদি এক্ট্রেস অসিনা ফংবা ঙমখিদ্রে, মরমদি ১৯৮২দা য়ুম পানবগী লম্বীদা চঙশিনখ্রে। তৌবগীবুদি মমিং লৈরবা মালেমগী ফাওর-ফাওরবা এক্টর কয়া অমসু ফিল্ম য়াম্না কুম্লমদ্রবসু অমা অনীদং কুম্বদা মশক থোকপা ঙসিফাওবদা শীংথানবা য়াবা, মশাগী খুৎফম মমি শেংনা তাহনবা ঙম্বা কয়া অমা লৈরি। ঐখোয়গীসু অদু মঙাই, শাফবী অমদি খোঞ্জেল ফিল্মশিংদা মমিং লৈনা কুম্লকখিবী এক্টর অসিবুসু ঙসিগী মতমসিগী মীরোল অসিনা খুৎ থেক্লা শীংথানরি।

লাইশ্রম নিঙোল ঙাঙোম ওংবী সুবদনি, থাংমৈবন্দ কোলেজ গেটতা লৈবা গুর্খা রাইফল্‌সগী মেজর ঙাঙোম জয়চন্দ্রগা লোয়ননা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙ থাংজিনমিন্নখি। মচানুপী অমা অমদি মচানুপা অমা ফংজখি। লাইবক থীবদি মপুরোইবা ১৯৮৭দা স্রিলঙ্কাদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ এল টি টি ঈগা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদে। মহাক্কী মথৌনা ফবা অদুগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা বির চক্র এৱার্দ পীদুনা নেসনলগী থাক্তা ঈকায়খুম্নখি। শুপ্নগী চহী ৫ খক য়ুম্বানমিন্নরগা নৌনা মপুরোইবনা হুন্দোক্লম্লবসু মপুরোইবনা নোংমা হায়রম্বা কাউঙমদ্রবা মরু চঙলবা ৱাহৈ "করিগুম্বা ঐনা লাইবক থীখ্রবসু, ইচাশিং অসি বেট্টর সিটিজন অমমম ওইনবা নঙনা শেম্লকউকো" হায়বা অদুনা থৌনা পীদুনা মচা অনীবু মতিক চাবা মী ওইনবা শেম্লকখি। ঙসিদি মহাক্কী মঙজরকপা মঙলান অদু খরদি মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াই মরমদি মচানুপীনা মেদিকেল ডোক্তর ওইদুনা রিমসতা দিপার্টমেন্ট ওফ পেথোলোজিদা সিনিয়র রেসিদেন্ট ওইনা থবক তৌরি অদুগা মচানুপানা এঞ্জিনিয়র অমা ওইনা পোলেন্দগী মমিং চৎপা কম্পনি অমদা থবক তৌরি।

মতম অমা ঙসিদগী চহী ৪৭মুক্কী মমাঙদা শাফবী ফিল্মদা মরুওইবা রোল লৌদুনা মণিপুরী ফিল্মগী ফিদা অমা নেসনলগী থাক্তা কনবা ঙম্নবা হোৎনবদা, থৱায় য়াওনা, কখোকপা অমগা লোয়ননা শরুক য়ারকখিবী এক্ট্রেস অসিনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা অনৌবা ৱাখলগী ইনোৎ অমা পীরদুনা অসুম্না তম্লকখি- থবক খূদিংমক্তা সেল্ফ কনফিদেন্স হায়বা অসি য়াম্না মরুওই। মীওইবা খূদিংমক হৈরগা পোক্লকপদি নত্তে, অদুবু হৈননবা খঙননবা, হৈননবা কন্সেন্ট্রেসন তৌরগা থবক খূদিং পাঙবদা মায় পাক্লোইদবা অমত্তা লৈতে। তৌবতবু দিসিপ্লিন হায়বা অসিমদি য়াম্না মরুওই। মসিগী মথক্তা অমগা অমগা কোওপরেসন পীনদুনা মতেং পাংনবা, পুন্না থবক তৌমিন্নবগী নুংঙাইবা অদু মশক খঙবা অসিসু য়াম্না মরুওই। অদু ওইবা তারবদি ঐ ঐনা চঙশিল্লিবা থবক অদুদা মায় পাক্লবগী য়ুম্ফম থোনবা হৌরবনি। মরুওইনা হৌরক্লিবী নুপীমচাশিংনা এন সী সী হায়বা অসি য়াম্না য়াওহন্নিংই। মসিনা পুন্সি অমগী পর্ফেক্সন তানবদা মচাক কয়া পীরিবনি। অমরোমদা মসিনা প্রোফেসন অমা ওইনা চঙশিনবদসু মশক থোকপা পুন্সি অমা ইরাই লায়না শেমগৎপা য়াগনি খল্লি। এন সী সী হায়বা অসিদা য়ুনিটিগী চাউরবা শরুক অমা য়াওরি। মসিনা পূক্লিং ইথিল ময়াম অমা পীদুনা ঐনা তৌগদবা থবক খূদিংদা হেন্না পূক্লিং চঙহনবতা নত্তনা কখোকপা, মীনুংশি, চাং নাইবা, ঈংথবা, তপথবা, থৌনা লৈবা, লোয়ননা তৌগে নীংবা থবক্তা নীংহন্নদনা কয়া পোকহনবা ঙম্মী। লোয়ননা ৱাখল পূক্লিংবু অফবা মায়কৈ অমদা পুদুনা অফবা সিটিজন অমা ওইহনবদা চাউরবা মতেং পাংই। হৌজিক মণিপুরী ফিল্মগীদমক থৱায় য়াওনা চেনবী চোংবীরিবা পুন্নমকশিংদা হেন্না পূক্লিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা হেন্না মায় পাকপগী লম্বী পাকথোক চাউথোকহন্নবা অঙম্বা থবক হোৎনবীয়ু। মালেমদা ঐখোয়গী ইশক নীংথিনা তকপা ঙম্বা মীরোল অমা ওইরসি হায়বা ৱাফম অসিমসু য়াম্না চেকশিন্না থম্বীরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।০২।২০২২ইং, নোংমাইজিং;
ফাইরেনগী ৬নি পানবা।

**মেষ:** হকচাং নুংঙাইবা হেনবা, থৌনা লৈবা, অয়েৎ-অপন কোকচদুনা পল্লম্বা থবক পাঙবা ঙম্বা নুমিৎনি। শিনবা-লাংবসু হৈগনি, মীংচৎ ফংগনি। হোয়া ফবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃষ:** ৱাখল থোক্কনি, অফবা মফম ফংগনি, লাইবক ফগনি অমদি ৱাখল নুংঙাইজগনি। অদুবু হৈতনা হৈশিংবা শারদি থবক মাঙবা অমদি পূক্লিংদা পেন্দবা নোংদমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

**মিথুন:** লাইবক ফগনি, অনিংবা থবক্তা শেল থাদবা য়াগনি, ললোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি অমদি অনৌবা মীচং খোম্বা কান্নগনি। মৈনদি তাথি অমদি হুরানবনা য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** অকিবা লৈতনা থৌনা লিংজেল ফূদোক্লা থৌ পাঙবনা ওইজ-ওইথক ময়াম ফংগনি অমদি য়েক্লববু লাকশিনগনি। মরম চাদনা অনম তানবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** লৌশিং তানশিনবা অমদি অচূম্বনা মাংওইনরগা পাঙবা থৌরম খূদিং মায় পাক্কনি। শেল থুমনচিংবা তানশিনবসু মায় পাক্কনি। অফা-অপূন্নবা লৈতনবা খাঙবদি কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** মীচং থোইনা হেনগৎপা অমদি নিংজবা থুংবা নুমিৎনি। লেংদবা লন তানশিনবা য়াগনি, লাই-গুরু অমদি মীয়াম্না থোইদোক্লা চানবী। হুরানবদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** নিংজবা থুংগনি, মীচং হেনগৎকনি, ৱাখলসু থোকপা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নরদি মরুপ অমদি নচা-ননাই কায়নবা য়াই-লাঙতক্লগনু। লান্দবনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা পামগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** অরং-অরাক্লম মীংচৎ ফংবা অমদি তুংগী থৌরম য়াৎথোকপা হৈবা নুমিৎনি। ঙাং-শকপা মীনা তানিংগনি। চরাংনরদি মতম মাঙগনি, নকন্থিনা নরল মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**ধনু:** য়েৎনবা, অহে-অশিং শাবা অমদি অনৌবা থৌরম পায়বা কান্নবা ইফং ফংলোই - য়াকা য়েংনা চৎলু। অদুবু অরাপ্পগী মতেং ফংগনি, হন্থবা মীদগীসু কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর:** অনৌ-অনৌবা অশা লাক্কনি, ললোন ইতিক্তা লাইবক ফগনি, ৱাখল থোক্কনি। অরুবা তান্‌ফম লাকপদা ইমুং মনুংগা ৱাতান্নৌ-মদুতনা লায়না থৌ পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** মাংদা তারিবা থবক্তু নক্লবগী মতেং অমদি থৌনা ফূদোকপনা লায়না পাঙগনি অমদি ওইজ-ওইথক ফংগনি। অদুমকপু নোল্লুক্লা চৎত্রদি কায়ননি, লনদা তায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** অয়াম্বা লম্‌দা মায় পাকচরো হায়বা নুমিৎনি। মতম মাঙহন্দনা অমদি চিংনবা লৈতনা অনিংবা অফবা থবক পাঙহৌরো। য়েৎনরম্বসু লৈররোই, মীংচৎসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## মণিপুর রাইফল্‌সকী এন্নুএল প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস):

ফাষ্ট বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফল্‌স, ইম্ফালগী এন্নুএল প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসনগী থৌরম ঙসি ফাষ্ট এম আরগী কম্মান্দেন্টকী ওফিস কমপ্লেক্সতা সী ও, জি ওশিং, জে সী ওশিং অমদি ও আরশিং পুন্নমক য়াওদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফাষ্ট এম আরগী কম্মান্দেন্ট ডা. এস ইবোমচা সিংহনা বেষ্ট ওফিসর্স, বেষ্ট স্কুল টিচর্স, বেষ্ট ষ্টুদেন্ট্‌স অমদি ক্লিনেষ্ট ফেমিলি ক্বার্টর্সনচিংবশিং মখোয় মখোয়গী দিসিপ্লিন, হোৎনবা কনবা, অমদি পর্ফোমেন্সনচিংববু শকখঙবা উৎতুনা য়েন্থোকখি।

বেষ্ট ওফিসর তাখ্রবা ওফিসরশিংদি অহানবা পোজিসনদা এল সুরচন্দ্র সিংহ, হভিলদার নম্বর ৫৫৯৭১, এস পি-কোই, ফাষ্ট এম আর; অনীশুবা পোজিসনদা কে ঐচ জয়েন্ত সিংহ, হভিলদার নম্বর ৯৫৭৪, ঐচ ক্যু-কোই, ফাষ্ট এম আর; অহুমসুবা পোজিসনদা খাংচামৈ, রাইফলমেন নম্বর ৮এফ০৬৯, ঈ-কোই, ফাষ্ট এম আরনি। অদুগা ক্লিনেষ্ট ফেমিলি ক্বার্টর তাখ্রবশিংদি অহানবা পোজিসনদা ফাষ্ট এম আর দি জি পি পুল ক্বার্টর নম্বর ১৩ টাইপ-৩দা লৈবা বাবু বারিয়াম, রাইফলমেন নম্বর ১৭১০৩৫১; অনীসুবা পোজিসনদা সিক্স এম আর দি জি পি পুল ক্বার্টর নম্বর ৭, টাইপ-২দা লৈবা পাঙম্বম প্রিয়োকুমার সিংহ, হবিলদার নম্বর ০৬২০০০৩৫৯; অমদি অহুমসুবা পোজিসনদনা ফার্ষ্ট এম আর য়ুনিট পুল ক্বার্টর নম্বর বি/৪২দা লৈবা এল অলেন কোম, হভিলদার নম্বর ০৯৯৪৯৯৬নি।

বেষ্ট স্কুল টিচর ওফ ফাষ্ট এম আর বট্টালিয়ন হায় স্কুল তাখ্রবশিংনা, অহানবা পোজিসনদা আর কে খেদারানি দেবী, সাইন্স টিচর; অনীসুবা পোজিসনদা পি ঐচ প্রেমজিৎ সিংহ, হভিলদার নম্বর ০১২০০৭২৪৭, ফাষ্ট এম আর-ইংলিস টিচর; অমদি অহুমসুবা পোজিসনদা এল জেম্‌স সিংহ, রাইফলমেন নম্বর ৬০৭০৪৫৪, ফাষ্ট এম আর - সাইন্স টিচরনি।

বেষ্ট ষ্টুদেন্ট্‌স ওফ ফাষ্ট এম আর বট্টালিয়ন হায় স্কুল তাখ্রবশিংদি, অহানবা পোজিসনদা মৈস্নাম কৃষ্ণতোন্বা সিংহ - ক্লাস টেন; অনীসুবা পোজিসনদা অরিবম বন্দনা দেবী - ক্লাস টেন; অমদি অহুমসুবা পোজিসনদা চান্দনি সোনার ক্লাস ফাইভনি হায়রি।

## এপ্লিকান্ট ১০৫ রিজেক্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস):


মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসননা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ৪দা এম ঐচ এস গ্রেদ-৪ (মেদিকেল ওফিসর) কৌখিবা পোষ্টশিংগীদমক থারকখিবা এপ্লিকেসনশিংদা ইন্টর্নশিপ সর্টিকেট সবমিট তৌরক্তবা অমদি ইন্টর্নশিপ লোইশিন্দবনচিংবা মরমশিং অসি লৈবনা পুন্না কেন্দিদেট ১০৫ রিজেক্ট তৌরে হায়না মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন কে ঐচ লালমনিনা থোক্লকপা নোটিফিকেসন অমনা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা নংলিবা ইমুংদা লুপা ১০,০০০ মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ২গী অহিং পুং ১ তাবা মতমদা ৱাংজিং টেন্থা এ সীগী মনুং চনবা ৱাংজিং মোইরাংথেম লৈরক্তা লৈবা লাইশ্রম অমরজিৎ সিংহনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিল্লগা অপোকপা মপা-মমাবু হাৎকনি হায়না কোইতান তান্নবগী পাউ অমা সোসল মীদিয়াদা থেংনবদগী লমদিং চেরাপুরদা লৈবা লৈরেন কে এস কে পেট্রোল পম্পগী প্রোপ্রাইটর জোলিওট লাইশ্রমনা অৱাবা তারবা ইমুং অদুদা ঙসি অয়ুক লুপা ১০,০০০ মতেং পীখ্রে হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা)গী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎ সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।


চেরোল অসিনা হায়, লাইশ্রম অমরজিৎ সিংহনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিল্লগা মশাগী অপোকপা এল ইবোতোম্বী অমদি অপোকপী মমা রাশেশোরি অনীবু থাঙ পায়দুনা হাৎকে হায়না কোইতান তান্নবদগী অহিং অদু নোং মরক্তা লমজাও শোরক্তা য়ারেক্তুনা লৈরিঙৈদা য়ূম মনুংদা লৈবা গাড়ি মচা, টি ভি য়াওনা পোৎলম কয়া মৈ থাদুনা মাঙহনবিখ্রে হায়বগী থম্মোয় শোকপা পাউদম অদু সোসল মীদিয়াদা থেংনবদগী লেৱা লমদিলগা খুৎশম্নদুনা পুকচেল চাউরবা জোলিওটনা শেলগী মতেং অসি পাংবিরকখিবনি। লোয়ননা লৈকায় অদুগী ইমা ইবেল কয়গা ফম্মীন্নদুনা লৈকায় অদুদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী অচৌবা চৈথেং ফংদুনা নহারোল কয়া মাঙহল্লিবা অসিগী মতাংদসু কুপ্না খন্নদুনা মৈরা পায়বী ইমাশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা ইচাশিং মতম চানা কন্নবা হোৎনসি। লৈঙাক্লা ঙাইদুনা লৈরবদি নহারোল কয়া মাঙলগনি হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্ট ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোকখি। অমদি দ্রগ এদিক্ট অমরজিৎ লৈকায়গী মীওইশিংনা ফারগা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থমখ্রে হায়রি।




Title : Helicoptor
By : Takhellambam Suraj
Class : I Sec: B Roll : 26
School : Premier English Academy



Title : A Bird
By : Telheiba
Class : IV Roll No. 4
School : Maheilen Education Centre



Title : Umbrella
By : Victor Longjam
Class : KG Roll : 22
School : St. John English High School Nambol



Title : Dog and Boy
By : Takhellambam Rohit
Class : V Roll : 23
School : Maheilen Education Centre




Title : Kill Covid
By : Lanchenba
Class : IV Sec: Jasper
School : Heritage Convent



Title : Naruto Uzumaki
By : Korounganba Kangjamcha
Class : V
School : Heritage Convent, Uripok



Title : Masks Save
By : Deepa Luxmi Akoijam
Class : V Sec: B Roll : 37
School : Sacred Heart School Yairipok



Title : Backside girl
By : Mangalleima Mutum
Class : III Sec: B Roll No. 39
School : Little Flower School, Imphal

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাওগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।